## গাড়ী চৎপা থিংলে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ : উমাথেল কৈথেলদগী ময়াই লৈকাই ফাওরগা ককচিং খুনৌ কৈথেল তাবা লম্বীগী ফিভম শোক্লে। হয়েংদগী লম্বী অসিদা অরুম্বা পুবা গাড়ীশিং চৎপা থিংলে হায়না ৱার্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটি ৱার্দ নম্বর ৯ ককচিং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেয়রমেন কেঐচ রাধামনিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ৱার্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটি ৱার্দ নম্বর ৯ ককচিং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা শীন্দুনা ৱার্দ অসিগী ওইবা মীফম অমা ঙরাং ফমখি। ইন্দো বর্মা সুগনু রোদকী মরুওইবা থোং ওইরিবা তরাঙ তুরেল মথক্তা শারিবা উয়োকথোংগী শরুক খরা য়াদবনা মরম ওইরগা রোদ দাইর্ভসন পীরক্লি। মরম অসিনা লম্বী অসিগী ফিভম অসি অশুক্কী মতিক শোক্লে। হয়েংদগী লম্বী অসিদা অরুম্বা পুবা গাড়ীশিং হায়বদি নুঙ, লৈঙোই, সিমেন্ট, য়োৎ, চেঙ, শীং অমদি উনচিংবা পুবা পুন্নমক থিংলে হায়রি।

## লম-তু শেংখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ : মোইরাং পুলিস অমদি সেভা কম্যুনিটি অনীনা খুৎশম্নরগা ঙসি অয়ুক পুং ৬ তগী পুং ৯ ফাওবা মোইরাংদা লৈবা ইবুধৌ থাংজিংগী কমপ্লেক্স মনুংগী গ্রাউন্দ অমদি দ্রেন্নচিংবা তরূ-তনান্না শিৎ-শেংদোকখ্রে।

## ৱাকৎ মীফম চথখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ : শিংজমৈ লৈশাংথেম লৈকায়দসু মফম অদুগী নুপীশিংনা ৱাকৎ-মীফম চথখ্রে। লমদমসিগী য়েলহৌমী কন্নবা অমদি ভোটর লিষ্টতগী মীতোপশিং লৌথোক্লবা দিমান্দ তৌখি। সগোলবন্দদা লৈবা ওক্সফোর্দইংলিশ স্কুল অমদি এসেন্টগাইদ একাদেমী হায়রিবা স্কুল অনী অসিগী মহৈরোয়শিংনা ঙরাং লম্বী মতাইদা লেপ্পুনা হ্যুমেন চেন শেমদুনা য়েলহৌমী কন্নবা তোঙান-তোঙানবা খোল্লাউ কয়াসু লাউখি হায়রি।

## GAS TODAY

**ATHOKPAM INDANE WANGJING & KHONGJOM**
Booking Upto:18/04/2017
Valid From:04/04/2017
***Stk :306***
Timing:7.30am to 10.00am
*(Pls Submit Aadhaar Xerox)*

**HARAN VALLEY KWAKTA**
Booking Upto:30/03/2017
Valid From:24/03/2017
***Stk :306***
Timing:7.30am to 10.30am

**HRANGCHAL GAS AGENCY OLD LAMBULANE**
Booking Upto:26/04/2017
Valid From:20/04/2017
***Stk :612***
Timing:7.30am to 10.30am
*(Aadhaar link Consumers only)*

**IMPHAL LPG SERVICE**
**19kg Commercial *Stk:180***

**KHONGNANG GAS AGENCY BISHNUPUR, (Sl.11330)**
Booking Upto:22/03/2017
Valid From:08/03/2017
***Stk :306***
Timing:7.00am to 10.00am

**LEIBAKLEI GAS KAKCHING**
Booking Upto:04/04/2017
Valid From:22/03/2017
***Stk :612***

**CTC For DNSC(DBTL)**
Timing:07.30am to 11.00am

**LAMSANG GAS AGENCY**
Booking Upto:10/04/2017
Valid From:07/04/2017
***Stk :252 (DBTL)***
Timing:07.00am to 10.00am
***(Pls Submit Aadhaar Xerox Urgently)***

**LAMBODARA INDANE**
Booking Upto:02/05/2017
Valid From:30/04/2017
***Stk :306***
Timing:07.30am to 10.00am

**MAHALAKSMI INDANE Sl. No. 100**
Booking Upto:24/04/2017
Valid From:10/04/2017
***Stk :306 (DBTL)***
Timing:07.00am to 10.00am

**MAIBIA GAS MOIRANG**
B/k Upto:18/04/17 (Sl.0220)
V/F:18/04/17 (Sl.0001)
***Stk :306***
Timing:07.00am to 11.00am

**MANIPUR POLICE GAS**
Booking Upto:19/04/2017
***Stk:306*** (Only for CTC &DNSC)
Timing:10.00am to 01.00pm

**R & H IRILBUNG**
Booking Upto:09/04/2017
Valid From:02/04/2017
***Stk :306***
Timing:07.30am to 10.30am

**RBD INDANE SERVICE**
Booking Upto:18/04/2017
Valid From:13/04/2017
***Stk :612***
Timing:06.00am to 10.00am

**YAIRIPOK GAS SERVICE SI. NO.19620**
Booking Upto:13/04/2017
Valid From:11/04/2017
***Stk :306***
Timing:07.00am to 10.00am

**KHURKHUL HEIKHAM INDANE GRAMIN**
Booking Upto:15/05/2017
Valid From:01/05/2017
***Stk :306***
Timing:08.00am to 12.00noon

# বেঙ্গুন হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী অৱাৎ-অপাশিং মেনশিন্নবা হোৎনগনি : রাধেশ্যাম

INAUGURATION FUNCTION
FOR CLASS XI SESSION, 2017-18
AT THE BENGOON HIGHER SECONDARY SCHOOL
Shri Thokchom Radheshyam Singh
Shri Kongkham Robindro Singh
cial dignitaries from Education Dept. Govt. of Manipur, Political &
on Sunday, the 30th July 2017

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস) :

মাইনোরিটি মুসলিম অঙাংশিংনা নম্না তল্লিবা বেঙ্গুন হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী লৈরিবা অৱাৎ অপাশিং লোইনমক মেনশিনবা ঙমদ্রবসু তঙাইফদবা মথৌ তাবশিংদি মেনশিন্নবা হোৎনরগনি হায়না এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা লৈঙাক্কী মতম লোইরমদাইদা বেঙ্গুন হায় স্কুল অসি হায়র সেকেন্দরিগী থাক্তা অপগ্রেদ তৌরম্বনি। হায়র সেকেন্দরিগী থাক্তা অপগ্রেদ তৌরম্লবা স্কুল অসিদা ঙসি অহানবা ওইনা ক্লাস এলেভেনগী সাইন্স অমসুং আর্টস ষ্ট্রিমগী সেসন হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা হায়খি, স্কুল অমা লিংখৎপা মতমদা তঙাইফদনা পোৎশক অহুম চঙই। মদুদি ক্বালিটি, এসেসিবিলিটি অমসুং ইক্বিটি হায়বসিনি। ইক্বিটি হায়বসি মহৈরোয় পুন্নমকপু চাং মান্নবা খুদোংচাবশিং ফংহনবনি। বেঙ্গুন হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি উরুবদা পেন্দবা ফাওই। স্কুল অসিগী এক্সটেন্সন ওইনা কুমজা ২০১৬ তা আর এম এস এগী মখাদা শাখিবা কাশিংসু নিংথিনা ক্বালিটি মেন্তেন তৌরমদবা উরে। অদুমকপু বিল্ডিং অসি শাখিবগী শেনফম খরা থাদোক্তনা লৈরি। মরম অসিনা ক্বালিটি লৈতনা শারম্লিবা অসি লেমহৌরিবা পৈশা অদুনা শেমজিনবা য়াগদ্রা হায়বা য়েংশিল্লগনি। স্কুল অসি হায়র সেকেন্দরিগী থাক্তা ওনখৎলবনিনা হৌজিক্তি সাইন্স সবজেক্টশিংগী লেবোরেটরি লৈহনবসু মথৌ তারি। মসিগীদমক্তসু করি তৌবা য়াবগে হায়বা য়েংশিনগনি। স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল ইন চার্জনা মহৈরোয়শিংবু অফবা ওইহন্ননবা হোৎনগে হায়বগী ৱাফম ফোঙদোক্লবনিনা স্কুল অসিদা ওজাগী অৱাৎপা লৈরিবশিংসু মেনশিন্ননবা হোৎনরগনি। মসিদসু নত্তনা ফীভম শোক্লবা স্কুল বিল্ডিং অসি লাক্কদবা চহী ২/৩ অসিদা নিংথিনা শেমগৎ শাগৎপা য়াগদ্রা হায়বদু য়েংশিল্লগনি।

মহৈশেঙ হায়বসি পুন্নমক্কী লাইশঙনি। মরম অদুনা পুন্নমক্কী লাইশঙ ওইরিবা মহৈশেঙ অসিগী পোৎ-চৈশিং মাঙহন তাকহন্দনবা মীয়াম্নসু ঙাক শেনবীয়ু। মসিদসু নত্তনা মফম অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা মীয়াম্না অঙম অঙম্বা তেংবাঙ পীনরগা স্কুল অসিগী ফেন্সিংসু নীংথিনা লৈহনবীয়ু হায়না মহাক্কা আপিল তৌখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাঙলদুনা ময়াং ইম্ফাল এ সীগী এম এল কোংখাম রোবিন্দ্রোনা হায়খি, মমাঙগী লৈঙাক্কী মতমদা স্কুল অসি হায়র সেকেন্দরিগী থাক্তা অপগ্রেদ তৌবিরম্লে। অদুবু প্রোপর প্লান্নিং অমগী মখাদা তশেংনা তৌবিরম্বদি ওইরমদব্রা খল্লি। ক্লাস সিক্সতগী টুয়েল্ভ ফাওবা লৈগদবা স্কুল অসিগী বিল্ডিংশিং নীংথিনা লৈতবদা নত্তনা ক্লাস রুম ফাওবা শুনা লৈত্রি। লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা লায়রবা ইমুংগী মহৈরোয় কয়া তল্লিবনি। মরম অসিনা লায়রবা ইমুংগী অঙাংশিংবু মহৈ-মশীন নীংথিনা তম্বা ফংহন্নবগীদমক লৈঙাক্কী স্কুলশিংগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনগনি। বেঙ্গুল হায়র সেকেন্দরি স্কুল অসিবু ফগৎহন্নবা হোৎনবদা মীহুৎ অমা ওইনা অঙম্বা থৌদাংসু য়াগনি। ওজাশিংনসু স্কুল অসিদগী অফবা মহৈরোয়শিং পুথোক্লনবা অঙম্বা থৌদাং লৌবিয়ু। করিগুম্বা খুদোংচাদবা মায়োক্নরবসু পাউ পীবিয়ু, পাঙবা য়াবা পাঙজগে হায়না মহাক্কা মখা তাখি।

থৌরমদুদা এদ্যুকেসন (এস) কী দেপ্যুটি সেক্রেটরি এল নন্দকুমার, সোসিএল ৱার্কর মৌলানা অবদুল সলাম, এম এম দল্লিয়ু ওগী প্রসিদেন্ট এম দি অবদুলা পথান, স্কুল অসিগী ফাউন্দর মেম্বর অলহাস অবদুলহৈ, বেঙ্গুন হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল ইন চার্জ এম দি লিয়াকট আলি অমদি শরুক্কইরবা মীওই কয়ানা দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# জিরিবামগী চীংকোইবুং (বাবুখাল) গী খুঞ্জাশিং লৈবা ঙমদবদগী হোংদোক্লরক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস) :

জিরিবাম ডিষ্ট্রিক্ট অসিগা য়ুমথংননা লৈরিবা টমেংলোং অমদি জিরিবাম ডিষ্ট্রিক্ট অনীগী ঙমখৈদা লৈরিবা চীংকোইবুং (বাবুখাল), শাভুঘাট অমদি বোরোখালগী খুঞ্জাগী চৎনবা লম্বী, মহৈলোয়শঙ অমদি হোস্পিটাল লৈতবনা খুঞ্জাশিংদা অৱাবা কয়া অমা মায়োক্নরে অমদি খুঞ্জাশিং মফম অসিদগী তপ্ন-তপ্না জিরিবামরোমদা হোংদোরকপনা খুনশিং অসিদা য়ুম কয়া খুন্দানরক্লে হায়রি।

জিরিবাম ডিষ্ট্রিক্ট অসিগী ঙমখৈদা লৈরিবা চীংকোইবুং, শাভুঘাট অমদি বোরোখাল অসি মতম অমদদি খোঙ লম্বী ওইনা খুন অমদগী অমা চৎতুনা ফাওনরম্মী অদুবু মতম চানা শেম্বীদবা অমদি মরী লৈনবা ডিপার্টমেন্টনা মীৎয়েং চঙবীদবদগী ঙসিদি খোঙ লম্বী চৎপদা ফাওবা লম্বী ফাওনদবা মফম অমা ওইরে। লোয়নননা খুনশিং অসিদা মতিক চাবা অনা-লায়েংশঙ লৈতবা, মহৈরোয়শিং অসিগী স্কুলশিং লৈতবদা নত্তনা খুঞ্জাশিংগী হিংনবগী শেম্হোক লম্বী কয়া লৈরক্তবা অসিনা মরম ওইরগা খুনশিং অসিদগী খুঞ্জাশিং জিরিবাম অমদি মখোয় মখোয়গী শাফগদবা মফমশিংদা হোংবসু য়াওনরে।

চীংকোইবুং ডিভলপমেন্ট কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরী নোংমাইথেম সদানন্দনা হায়খি, মণিপুর ষ্টেটকী বোর্দর অমা ওইরিবা অসাম ষ্টেটকসু থংননা লৈরিবা জিরিবাম ডিষ্ট্রিক্ট অসিগসু য়ুমথংনরিবা তমেংলোং ডিষ্ট্রিক্ট অমদি জিরিবাম ডিষ্ট্রিক্টকী ঙমখৈদা চীংকোইবুং, শাভুঘাট অমদি বোরোখাল হায়রিবা খুন অসি লৈ। কুমজা ১৯৬২ দা বাংলাদেশকী ৱারগী মতমদা চেল্লকখিবা য়াম্না মরুওইবা খুন অসি মতম অদুদা জিরিবামগী এম এল এ ওইরম্বা সিনাম বিজয় সিংহনা কন্না হোৎনদুনা কুমজা ১৯৬৪ দা মণিপুর গভর্নমেন্টনা শকখঙলবা খুন অমা ওইখি। অদুবু খুনদি শেম্বীরম্লগা লম্বীদি শেম্বীহৌদবনা ঙসিদি খুঞ্জাশিংদা অৱাবা কয়া মায়োক্নরে হায়খি।

লম্বীগী খুদোংচাদবা কয়ানা মরম ওইরদুনা খুন অসিদগী হোস্পিটালদা পুথোরকপা মতমদা হী অমদি লম্বীদা অঙাং উনবগী থৌদোক কয়া লৈখ্রে। খুন অসিদা লৈনবগীদমক মেঘালয়া অমদি বংলাদেশ অনীগী বোর্দরদা লৈবা মেঘালয়া সিটিজেন ওইনদি শকখঙবীদ্রবা ইমুং কয়ানা মণিপুরদা লৈগে হায়দুনা চীংকোইবুংদা লাক্তুনা লৈবসু য়াওরি। অদুবু লম্বী-থোং, হোস্পিটাল অমদি স্কুলশিং ফজনা লৈতবদগী খুন অসিগী মীওইশিং নোংম-নোংমগী মশিং লিকথরক্লি। মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা চীংকোইবুং, শাভুঘাট অমদি বোরোখাল অসিগী মরুওইনা লম্বী, হোস্পিটাল অমদি স্কুলশিং থম্বীনবা হায়না অপীল তৌরক্লি।

# অথিংবা থল্লিবা পোৎশক অমবু পাক শন্না শীজিন্নহনবদা লৈঙাক্কী খুৎ য়াওই: কাদা

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস) :

মণিপুর লিকর প্রোহিবিসন এক্ট ১৯৯১ অসি কুমজা ১৯৯১ এপ্রিলদগী মণিপুরদা চৎনদুনা য়ু য়োনবা, শুংবা, পুথোক পুশিন তৌবা অমদি থকপশিং থিংদুনা লাক্লবনি। অসিগুম্বা লোনা অথিংবা থল্লিবা পোৎশক অসিবু পাক্তক্লনা শীজিন্নহনবা হায়বা অসিমক লৈঙাক্লিবা মীওইশিং চেন্নদে হায়বা য়ারোই হায়না কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ আলকোহোল (কাদা) গী প্রসিদেন্ট এদভোকেট য়ুম্নাম রতনকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি কাদা ময়াই লোইশঙগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাঔজী মীফমদা রতনকুমারনা মখা তানা হায়, ওইনাম সওম্বুদা ঙরাং অমদি নহাল লোকেল য়ু থল্লবদগী মীওই অহুম শিখিবা অমদি কয়ানা লায়কন্নরিবা অসি লমদম অসিদা লৈঙাক্ল লীশাং শীৎনা চথরকপা ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিং লোগী মায়োক্তা মরাং কায়না ফঙহনবদগী থোকহল্লকপনি। লাইবক থিবা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবশিং অথুবা মতমদা মতিক চাবা লোগী চৈরাক পীগদবনি অমদি লো ঙাকপা ঙমদ্রবা মণিপুর লৈঙাক অসিনা মোরেল রেস্পোন্সিবল লৌদুনা লৈখিদ্রবা অমদি অৱাবা তারবশিংদা মতিক চাবা কম্পেন্সেসন পীগদবনি হায়রি।

মণিপুর লিকর প্রোহিবিসন এক্ট ১৯৯১ না লাইনিং অমদি নাৎকা মরী লৈনরিবা কাঙলুপশিংগী মীওইশিংনা য়ু শুংবা য়াহল্লবসু লাইনিং অমদি নাৎকী মীংদা য়ু মরাঙ কায়না শুংহনবা, লল্লোন ঈতিক তৌহনবা অসি য়াদে। মখোয় অদু মণিপুর লিকর প্রোহিবিসন এক্ট ১৯৯১গী মতুং ইন্না চৈরাক পীগদবনি। থোকখিব্রা ৱাথোক অসি অথুবা মতমদা মরিক চুম্না থিগৎতুনা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা খুদিংমক মরালগী মতুং ইন্না চৈরাক পীগদবনি।

মণিপুর দ্রাই ষ্টেট ওইহনবগী ৱাহন্থোক লৈহনদ্রিবা এক্ট অসিবু লাপসেস লৈহল্লিবা মণিপুর লৈঙাক অমদি লৈঙাক অসিগী থৌমীশিং মরুওইনা চেন্নরিবা এক্সাইজ দিপার্টমেন্ট অমদি পুলিসশিংসু লোগী মতুং ইন্না চৈরাক পীগদবনি। অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি মতুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা মণিপুর লৈঙাক্লা চপ চাবা ৱারেপ লৌগদবনি। চথরিবা মণিপুর এসেমব্লী সেসন অসিদা মণিপুর লিকর প্রোহিবিসন এক্ট ১৯৯১ মপুং ফানা চৎনহন্নবা ৱারেপ লৌগদবনি।

হৌজিক হৌজিক রিমস হোস্পিটাল, শিজ হোস্পিটাল এন্দ রিছর্স ইন্সটিট্যুট, রাজ মেদিসিটিনচিংবা লায়েংশঙশিংদা লায়েংলিবশিং অমদি মখোয়গী ফেমিলিশিংগা উনদুনা অনাবশিংগী ফিভম ঙসি অয়ুক কাদা অমদি নুপী সমাজগী লুচিংবশিং য়াওনা য়েংশিল্লুরে। রিমস হোস্পিটালদা লায়েংলিবশিং ডোক্তরশিংনা সন্দেনি হায়দুনা পুক্নিং ইচং চংবীদবা অদুগা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদনা লায়েংমল দিপোজিৎ হান্না থমগদবনি হায়বা ৱাফমশিং পেসেন্ট পার্টিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখি। মফম অদুদা লৈঙাক্কী মীওই অমত্তা লাক্ত্রি। হোস্পিটশলশিংগী ওথোরিটিনা অকনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু লোয়নননা লৈঙাক্লা পাংবা য়াবা অমদি পীবা য়াবা মতেঙ পীবীয়ু হায়খি। অসিগুম্বা তমথিরবা মীশি মীনাগী থৌদোকশিং অসি মতুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা লৈকায় লৈকায়গী মফম খুদিংমক্তা য়ু অমদি ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিং য়োল্লিবা হোটেল অমদি দুকানশিংদা য়ু ফঙহন্দনবা চঙশিল্লিবা খোঙজংশিং হেন্না কনশিনমিন্নরসি হায়রি।

নুপী সমাজগী জেনরেল সেক্রেটরি থোকচোম ওংবী রমনিনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুর লিকর প্রোহিবিসন এক্ট ১৯৯১ লৈনা লৈনা লৈকায় লৈকায়দা য়ু য়োনবা অসি থিংগদবনি। য়ু শুংবা কাঙবুনসু খরা থুনা পুথোক্লবা য়ুরিয়া খরা হেন্না হাপ্পা মাল্লি। য়ু শুংবদা য়ুরিয়া হাপ্পী হায়রি। ঙরাংগী থৌদোক অদু পোইজনিং ওইগনি হায়রি। মরাল লৈবশিং ফাগৎতুনা অকনবা চৈরাক পীবা মথৌ তাই।

মণিপুরদা লিকর প্রোহিবিসন এক্ট ১৯৯১ শেল্লগা নাকল অমদনা মীওই খরনা মনীং তম্না য়ু শুংবা, য়োনবা অমদি থকফমনচিংবা দুকান হাংহল্লগদি এক্ট শেল্লুবগী কান্নবা লৈতে। য়ু শুংবদা চঙলিবা লমদমসিগী চেঙ অফবা অমদি মপান লমদগী পুশিল্লকপা চেঙ সুপর ফাইন ময়াম শীজিন্নবদগী হৌজিক মণিপুরদা চেঙগী মমল য়াম্না ৱাংখ্রে। চেঙ তাঙবগী খোল্লাউ লাকপা য়াই হায়না ফোঙদোকখি।

# মহৈরোয়শিং পূক্নিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস) :

মুতুম ওংবী লোইদাং দেবী মেমোরিএল ত্রষ্টনা শিন্দুনা অহানবা মুতুম ওংবী লোইদাং দেবী মেমোরিএল মেরিটোরিঅস এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি কিয়াম সিফাই মমাঙ লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেরপার্সন, টি ঐচ শ্যামো, রিজনেল ট্রান্সপোর্ট ওফিসর ওইরম্বা মুতুম মণি, থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ভাইস-চ্যেরপার্সন কে ঐচ থম্বাল, নেসনল এৱার্দি লিসম ইবোচৌ, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী লাইব্রেরিয়ন ডা. টি ঐচ খোমদোন, সোসল এক্টিভিষ্ট ৱাই নবচন্দ্রনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

ঙসিগী মনা-মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা হন্দক চহীগী বোসেমনা লৌবা ঐচ এস এল সী এগজামিনেসন, কোসেমনা লৌবা ক্লাস টুৱেল্বকী এগজামিনেসন অমসুং সী বি এস ঈ, ন্যু দিল্লিনা লৌবা ক্লাস টুৱেল্বকী এগজামিনেসনদা হাওখা কিয়ামগী ক্লব ১৭ না কোনবা মফমদা লৈবা খ্বাইদগী মার্কৱাংনা ফংলকপা মহৈরোয়, এম পি এস সীনা লৌবা এম পি এস এগজামদা মায় পাক্লকপা মহৈরোয় অমদি এন ঈ ঈ টিগী এন্ত্রান্সতা মায় পাক্লক্লবা মহৈরোয় অমা য়াওনা পুন্না মহৈরোয় ৪৩ দা পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা সাইটেসন, শেলগী মনা অমসুং সোল খুদোলপোৎ ওইনা তমখি।

মনা ফংখ্রবা মহৈরোয়শিংগী মরক্তা হন্দক্তা হায়দোকখিবা বোসেমনা লৌবা ঐচ এস এল সী এগজামদা ৭শুবা পোজিসন তারকখ্রবা পিছ এন্দ ফ্রীদম একাদেমীগী মহৈরোয় ওইনাম রমানন্দ, এম পি এস সীনা লৌবা এম পি এস এগজামদা ১৩শুবা পোজিসনদা মায় পাক্লকখ্রবা সোরোকখাইবম সিতরঞ্জিৎ, এন ঈ ঈ টিনা লৌবা এম বি বি এগজামদা ১২শুবা পোজিসন তারকখিবা অমসুং এম বি বি এস এগজামদা মায় পাক্লক্লবা ওইনাম দেবিতা দেবীসু য়াওখি হায়রি।

# দিসএবল্ডশিংগীদমক লুপা লাখ ২০ কায়থোকখ্রে: শ্যামকুমার

ককচীং, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস) : অন্দ্রো এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী (এ সী)দা লৈরিবা দিসএবল্ড পার্সনশিংগী য়াইফ থৌরাংগীদমক এম এল এ লোকল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দদগী লুপা লাখ ২০ কায়থোক্লে হায়না মহুদ এন্দ টাউন প্লানিং, ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরোনমেন্ট অমসুং হোর্টিকলচর মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখ্রে। ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা য়াইরিপোক টুলিহল কম্যুনিটি হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা ক্রেদল ফোর দিসএবল্ড য়ুনিয়ন (সী আর এ এফ দি য়ু)গী ৪শুবা মপোক কুমওন অমসুং দিসএবল্ড পার্সনশিংদা খুদোল তম্বগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা মথক্কী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, মী অমনা মী অমবু হন্থনা খনবসি ফত্তে। এ সী অসিদা লৈরিবা দিসএবল্ড পার্সনশিং হৌজিক্তি নীংহন্নবা তৌবীগনু। মখা তানা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্ট অমদি মরী লৈনবা মিনিষ্টরগা তানরগা য়াইফন্নবা হোৎনগনি। থৌরম অদুদা সী আর এফ দি য়ুগী চীফ এদভাইজর অলহজ সয়দ ডা. বুরহানুদ্দিননা প্রসিদেন্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী অধক্ষ্য এম দি বাবারুর রহমন, লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী ও সী অমদি সী আর এ এফ য়ুগী চ্যেরপার্সন ইন্সপেক্টর এম দি রিয়াজুদ্দিন শাহনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা দিসএবল্ড পার্সন ৫০দা শিল্লি-লাংলিবশিংগী মায়কৈদগী খুদোলপোৎশিং পীখি।

## য়ুগা কোন্ননা মীওই অনী ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০: থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা লুচিংবা য়াইরিপোক্কী এস দি পি ও অমদি নোংপোক সেকমাই পুলিস য়াওবা অপুনবা টিম অমনা ঙসি ককময়াই অমদি সিখোং কৈথেল এরিয়াদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক দ্রগ অমদি য়ুনচিংবা ফানবা দ্রাইব চথবদা মীওই অনী য়ুঙৌ লিটর ১২১ গা কোন্ননা ফারে হায়রি।

## 'য়োৎ পুরকপা মণিপুরগী ট্রক ...

*লামায় ১গী মখা...* চে-চাং চুমই হায়দুনা চৎখিনবা হায়রে। অদুবু মহাক্কী চে অদুসু য়াওনা পুলিস পর্সনেলশিং অদুনা ঙসি নুমিদাং অথেংবা ফাওবা ফাজিন্দুনা থম্বীরি। হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীদুনা মখোয়গী অৱাবা কোকহনবীয়ু হায়না গাড়ী অনী অসিগী দ্রাইভর এম দি রফিক অমসুং ৱাহিদুর রহমননা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

পনবা য়াবদি, ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী অসিদা খুৎলাই পায়বা য়ু জি গ্রুপশিংনা ঙাইহাক লৈতনা অপনবা পীবদা নত্তনা নাগালেন্দ পুলিসনা মফম কয়ামরুমদা দ্রাইভরশিংবু তত্তনা অকি-অখঙ পী অমসুং লোনা য়াদবা মখলগী টেক্স লৌই। জি এস টি চৎনখ্রবা তুংদা নেসনল হায়ৱেশিংদা লৈরম্বা চেক পোষ্টশিং ফাওবা লৌথোক্লখ্রবা তুংদা নাগালেন্দগীদি হৌজিক ফাওবা চেক পোষ্টশিং লৌথোকপা লৈত্রি।

## সোসাইটিশিংদা ফিশাকোন ...

*লামায় ১গী মখা...* মীখল মমাঙদা কোওপরেটিব সোসাইটি খরদা লং পীখ্রে। পীখিবা লংশিং অদু শীজিন্নরগা থবক তৌরিবা ইচল-ইচে, ইমা-ইবেলশিংনা শেল শিংগৎপীরকউ। মখা তানা থবক তৌনবা লং, ফিশাকোন অমদি ফি তুনবা মেছিনশিং পীনবা থৌরাংশিং অসিদা পূক্নিং থৌগৎপীয়ু।

সোসাইটি পুন্নমক্তা মহাক্কী মায়কৈদগী শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফগৎহন্নবা পাংবা য়াবা খূদিংমক পাংগনি। সোসাইটিশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অমসুং তৌহন্নিংবশিং অদু করিনো হায়বা মঙোন্দা খঙহনবীরকউ হায়নসু আপিল তৌখি।

থৌরম অদুদা মোইরাং কেন্দ্র প্রোগ্রেসিব ফ্রন্টকী ভাইস প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম রোমিত অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি মাইরেম্বম উতমসু শরুক য়াখি।

## মথোল ৱাংবা কৈথেল শাননবা ...

*লামায় ১গী মখা...*মতমগা চুনবা চহী চা কয়া তুং কোইনা চৎকদবা মল্টি ষ্টোরি মার্কেট কমপ্লেক্স অমা শাননবা মরী লৈনবা সেন্টর অমদি মণিপুরগী লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙশিংদা হায়জবা, মল্টি ষ্টোরি মার্কেট কমপ্লেক্স অসি নৎতবা কনষ্ট্রক্সন অমৎতা শাহন্দবা, ককচিংগী মীয়ামগী মায়োক্তা অমদি মণিপুর ম্যুনিসিপালিটি ডিসক্লোজর এক্ট ২০০৮ কী মায়োক্তা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা শাগৎলিবা দুকান অসি খুদক্তা লেপহনবগা লোয়ননা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা অইবা চে পীশিনবা, দুকান শাগৎলিবা অসি চহী অসিগী ওগষ্ট ১০ ফাওবগী মনুংদা পীবা অমদি মসিগী মনুংদা শাবা লেপহনবগী থবক পাঙথোক্ত্রবদি মদুদা থোরকপা অফ-ফত্তগী তেকচাক পুন্নমক ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা পুগদবনি অমসুং ককচিং কৈথেলগী ফিভম শোক্লবা ককচিং কৈথেল অসিদা ইমা-ইবেনশিংগী অৱাবা কয়া অসি কোক্লবা কৈথেল অসিগী ফিভম ফগৎহনবা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী ওথোরিটি মরুওইনা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলদা তক্লবা অমসুং ৱারেপ অসি মপূং ফানা পাঙথোক্লবা ককচিং কনবা লূপ, ককচিং বজার বিজিনেস ৱেলফেয়র এসোসিয়েসন, সেনিয়র সিটিজেন ফোরম অমদি মরী লৈনবা এন জি ওশিংগা পুন্না চঙশিনমিন্নবা হায়নসু ৱারেপ্লখি।

মীয়ামগী মীফম অদু লোইরবা তুংদা মীয়াম অদুনা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা হান্না হোস্পিটাল লৈরম্ফমদা শাগৎলিবা দুকানশিং অদু শাবা য়ারোই হায়বা খোল্লাউ কয়া লাউদুনা দুকান শাফম তম্না লাকখি। মীয়াম অদুনা শাগৎলিবা দুকানশিং অদুদা অতেক-অকায় থোকহল্লকপা য়াবগী চিংনবা লৈবদা এস ডি পি ও, ককচিং টি ঐচ দেশ্বরজিৎনা লূচিংবা পুলিসকী কাঙবু অদুনা থৎতুনা থমখি। মীয়ামগা পুলিস কাঙবু অদুগা ঙাইহাক মুক্নখি তুংদা মীয়ামগা পুলিসকী কাঙবু অদুগা পূন্না ৱারী শানদুনা ৱাখল তামিন্নরবা তুংদা মীয়াম অদু মফম অদুদগী হন্দোকখি।

## স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি উরেপ-উয়ুং ...

*লামায় ১গী মখা...*অসিনা তোঙান তোঙানবা মখলগী খুদোং-চাবশিং খুঞ্জাশিংদা পীবদা নত্তনা ষ্টেট অসিগী লৈরিবা মীয়ামদা য়াম্লবা থবকশিং পীগনি। প্রাইম মিনিষ্টর লাকপগা মরী লৈননা এপ্রোচ রোদশিং শেমগৎ-শাগৎপগী থবকশিং অসি মিসন মোদতা পাঙথোকপনি। শীংনবা কয়াগা লোয়নননা মফমদুদা শেমগৎলিবা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাবদা মীয়াম্না তেংবাঙবীয়ু।

চীফ মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অদুদা হৈঙাং চীংদা হৌজিক হৌজিক শেমগৎলিবা জেনিথ পোলোগী ষ্টেচ্যু, ইবুধৌ মার্জিংগী লাইশঙ অমসুং এপ্রোচ রোদকী থবকশিংসু য়েংশিনখি।

## তঙাইফদ্রবদি লায়েংবদা চঙবা ...

*লামায় ১গী মখা...* য়েংলগা মণিপুর লৈঙাক্লা লায়েংবদা চঙবা খূদিংমক এয়রলিফট তৌনবা থৌরাং তৌরি।

অমরোমদা, ঙসি অয়ুক পুং ১০ রোম তাবদা মণিপুর হেল্থ সার্বিসেসকী দিরেক্টর ডা. করাম লোকেন্দ্রো য়াওনা অৱাংবা থাক্কী ডোক্টর ২৫ রোম্না শাবা টিম অমা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরদা থুংখ্রে। মফম অদুদা হেংলেপ এ সীগী এম এল এ, টি টি হাওকিপ, দেপ্যুটি কম্মিস্নার অমসুং এস পি য়াওনা মীফম অমা পাঙথোক্লবা তুংদা অনাবা লৌরুনবা শক্তিমান অনী কাঙগী লায়না শন্দোরক্লিবা হেংলেপকী খুল অনীদা থাজিনখ্রে। মসিগা লোয়নননা ডোক্টর অমদি পেরা মেদিকেল ষ্টাফকী টিম অমসু তোখায়বা মখলগী গাড়ীশিংদা থাজিনখ্রে। অনাবা পুথোরকপা অমসুং মেদিকেল টিমশিং চখোক-চৎশিন্দা অপনবা থোক্তনবা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

পনবা য়াবদি, হেংলেপ সব-দিভিজন্দা ডোক্টরশিং থাদবগী মতাং অমসুং ডোক্টরগী টিম অমদি হীদাক লাংথক্কী পোৎলমশিং এয়রলিফট তৌনবা ঙরাং মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীফমদা কোংগ্রেসকী এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা লৈঙাক্কী মীৎয়েং চিংশিনখিবা লৈখি।

## 'এস টি লিষ্টতা চন্নবা রিক্কমেন্দ তৌদ্রবদি ...

*লামায় ১গী মখা...*পুন্নমক্লা লমগী মপু ওইনবগী মীঙ্গতি এস টি লিষ্টতা চনবা নত্তনা অতৈ লৈরোই। লমদম অসিগী য়েলহৌমী কন্নবা মীতৈ/মৈতৈবু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুয়সনগী সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা চনবা তঙায়ফদে। মণিপুরদা লৈরিবা মীতৈ/মৈতৈশিং অসি সেদ্যুল ত্রাইবতা চনবা য়াবগী কাঙলোনশিং অদু চপ চানা লৈ। ষ্টেট লৈঙাক্লা সেন্তরদা মীতৈ/মৈতৈবু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা চলহন্নবগী রিক্কমেন্দেসন অমা থাবা চঙই। হৌজিক ফাওবা ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হীরম অসিগী মতাংদা পায়খৎফম থোকপা থবক পায়খৎতনা লৈরি। এস টি লিষ্টতা চলহন্নবা ষ্টেট লৈঙাক্লা সেন্তরদা রিক্কমেন্দেসন তৌদ্রবদি মখা তাবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লগনি। থা অসিগী মনুংদা রিক্কমেন্দ তৌনবা দিমান্দ তৌরি। লমদম অসিগী তুংলমচৎকী য়েংলগা অসিগুম্বা থবক অসি পায়খৎফম থোকপনি। মীতৈ/মৈতৈবু সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা চলহনবগী মরুওইবশিং অদু খঙমিন্নবা তঙায়ফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা কম্মিটিগী জোইন্ট সেক্রেটরি কে ভোগেন্না ফোঙদোকখিবদা, মীতৈ/মৈতৈবু সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা চলহন্নবগীদমক মতম কয়াগী মমাংদগী দিমান্দ তৌদুনা লাক্লি। ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী সেন্তরদা রিক্কমেন্দ তৌবীনবা তকশিন্দুনা লাক্লবসু হৌজিক ফাওবা থবক ওইনা ওন্থোক্ত্রি। জুলাই থা ফাওবগী মনুংদা ষ্টেট লৈঙাক্লা সেন্তরদা রিক্কমেন্দেসন অমা থানবা দিমান্দ তৌরি। ষ্টেট লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙদ্রবদি মখা তাবা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা শেম শারগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মরকসিদা সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি মণিপুরগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ৱাইখোম অনন্দ মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটিনা মণিপুরগী লৈহৌমীশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মীতৈ/মৈতৈবু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৪২(১) গী মখাদা সেদ্যুল ত্রাইব হায়না খঙনবা লৈহৌমী অমসুং য়েলহৌমীশিংগী লিষ্টতা য়াওহল্লু হায়না ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি মণিপুর লৈঙাক্তা তকশিন্দুনা লাক্লি। লাইবক থিবদি হৌজিক ফাওবা মণিপুর লৈঙাক্লা পায়খৎফম থোকপা থবক পায়খৎতনা লৈরি। মণিপুর লৈঙাক্তা তকশিনবগী খোঙজং অমা ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ১১ দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা কৈশামপাৎ লৈমজম লৈকাইদা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা ৱাকৎ মীফম অমা অহল ওইরবা কয়া য়াওনা মীওই ২০০ রোমনা শরুক য়াদুনা ফমখি। মীফম অসিদা ৱাঙাংলোইশিংনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা মীতৈ/মৈতৈশিংগী অপাম্বগী মতুংইন্না থবক পায়খৎপীরক্নি হায়বগী থাজবা থল্লকখি।

মীফম অদুদা ৱাঙাংলোই ওইখিবশিংদি, কে ভোগেন, সী বি এস টি দি সীগী কনভিনর মুতুম চুরামনি, এন গুনাচন্দ্র, পি সোনামনি, সী এ য়ুগী প্রোফেসর এন রাম সিংহ, এম মেঘচন্দ্র, হান্নগী এম এল এ এন নোদিয়াচান্দ, ৱারেপ্পা নবা, ঐচ ঘনশ্যাম, অঙোমচা নন্দলাল, ওক্রম রোমেন, ওইনাম ওকেন, ওজা বোরাজাওবা, আর কে থরাকসনা, এম নৌদালেনখোম্বা অমসুং এস টি দি সী মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ৱাই মুহিন্দ্রোনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

---

## MANIPUR UNIVERSITY NIHONGO ALUMNI ASSOCIATION

### ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ/NOTICE

Imphal, the 30th July, 2017

The Manipur University Nihongo Alumni Association (MUNAA) invites applications from the students reading upto Class-X, for Speech Competition on the topic "Message From The Hiroshima Day Observation" to be held on 6th August, 2017 at 7:00 a.m. at Manipur University Guest House, Canchipur.

The willing students should submit an abstract of their speech for a maximum of 250 words in English or Manipuri and contact for collection of application form from the follow persons :-

1) **N. Noren,** Yaiskul, Moirangkhom Chingakham Leirak Machin, I/W.
2) **T. Honsha,** Old Lambulane, Jail Road (near Hrangchal Gas Agency), Imphal West.
3) **Job Centre,** Babupara, Imphal.

1st Prize : ₹ 10,000/- with Certificate.
2nd Prize : ₹ 6,000/- with Certificate.
3rd Prize : ₹ 3,000/- with Certificate.

Consolation Prize : ₹ 500/- with Certificate

*Sd/-* **H. Hongsha, *Gen. Secretary***
Manipur University Nihongo Alumni Assn. Manipur, India.

*HL-P/2505/31*

CAS Foundation No.1 in Manipur
CAS Main Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal
ADMISSION IS GOING
FOUNDATION COURSE
CLASS XI & XII(3RD BATCH)
(Physics, Chemistry, Maths, Biology & English)
CLASS X(3RD BATCH)
(English, Maths, Science & Social Science)
Seats are Limited First Come First Serve
Morning Batch (5.00- 8.00 A.M.)
Evening Batch (4.30- 7.30) P.M.
For Details contact:- CAS Office Centre for Advanced Studies Keishampat Junction,Imphal.
Hostel for BOYS & GIRLS available
HL-B/3971/18-31Jy